# ফৌ থাবগী মওং খরা

**এস সুমঙ্গল**

মালেমগী অঙ্গং-অশা হেনগৎলকপগী মতুং ইন্না অহোংবা কয়া মাঙদা তাদুনা লৈরবগুম্লে। কুমসিগী ওইনা লৌউ-শিংউ তৌরিবা ইচিন-ইনাওশিংনা পাখৎনরিবসি হৌজিক মৈতৈ থাবান্দা ইঙা থা লোইরমদাই য়ৌরবা মতমসিফাওবদা নোং চুদবনা মরম ওইদুনা লৌবুকশিংদা ঈশিং মরীক অমা ফাওবা লৈতবনা মরম ওইরগা লৌহোন হুনবা য়াদনা লৈবা অসিনা ফৌ থাবগী তাঞ্জা ফংলরোইদ্রা হায়বসিনি। হৌজিক ফাওবদি থোইদোক্লা মীপাইনীংঙাই ওইদ্রি হায়জগে। হৌজিক্তি শাবগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা খরা থেংলবা ওগষ্ট থা লোইরমদাই ফাওবদা থাবা য়াবা ফৌ মখল খরা অদুমক লৈরে। থোইদোকপা পাখৎনীংঙাই ওইদে হায়না থমজগে।

হৌজিকসি ঈথৈ লৌখোং লৈবা মফম খরদদি লৌহোন নিংথিনা হুনবা থেংনরে। অদুবু মণিপুরগী মফম অয়াম্বদি ইকং কংনা করিসু তৌবা য়াদনা লৈরি। মরম অদুনা পায়খৎপা য়াবা থৌরম খরা থমজগে।



এস আর আই নৎত্রগা দেপোগ লৌহোন

ইনাক্তা লৌহোন লৈরবদি নোং হেক চুদুনা ঈশিং লৈবগা লীংবগী খুদোংচাবা লৈগনি। লৌহোন্না লিশিনখিবা তারগসু অরিবা লৌহোন্না খরা কুংতক্লা চুক অমদা পান্বী ৩/৪ থাজিন দুনা চাথোক হন্থহনদবা য়াই। লৌহোন হুঞ্জিনবিয়ু হায়জনীংই। নৎত্রগনা পুংহুন হুঞ্জিনসি। লৌহোন্দি কং লৌহোন ওইনা হুনবা তারে। ইপা ইপুশিংনা তৌরম্বা মওংদা অকংবদা হুনবা লৌহোনসু অদুমক ফরম্মী। পুংহুনসু অদু মঙাই মরূ চঙবা হেল্লি হায়নরম্মী। পুংহুন্দা অনী থোক্লা হুন্নরম্মী অমনা কংনা অদুমক ফৌদি তিংদনা হুনবা অতোপ্পা অমনা পুংহুন লৈখাইবি হায়নবা চোৎলি মালিবা লৌবুক্তা কাবক কাবক তিংলবা ফৌদিনা হুল্লবা মতুংদা ওমশিনবা অনীসি থমজগে।

ফৌদিগী চাংদি খরা হেন্না লৌ শঙম অমদা কিলো ২০০ চঙহনবা তারে। মসি কৌজেংনা হারৌনা, উচেক ৱায়ানা চাদুনা মাঙখিগদবা থারগা হায়জবনি। হৌরক্লবা মতমদা খরা কুংবা তারগনা খরা লম্থোক্লবা ফোইদোক্লগা লৌহোন ওইনা অতোপ্পা মীওইশিংদা য়োম্থোকপসু য়াগনি। করিগুম্বা নোং চুরক্তুনা জুলাই থাদা ওইরবসু পাম্ফেল ওইনা হুল্লবসু থেংমনবদি ওইদ্রি। মতমদুদা ফৌদি খরখক্লা এস আর আই মেথোদতা থানবা হোৎনবা ঙম্লবদি য়াম্নমক ফরে। খরা হেন্না থেংখিবা তারগনা ফৌ মখল আর সী এম - ৯ (আর সী মনিফৌ - ৭) পাম্ফেল হুনবদা শোয়দনা লোক্কনি। তম্ফা ফৌসু অদুমক লোক্কনি। কনা কনাগুম্বগী লোকচবা ফৌ লৈরবদি থিদুনা থৌরাং তৌবিয়ু। লোইশঙশিংগী ফৌদিদি অয়াম্বনা লোইখ্রে। ওগষ্ট থা লোইরমদাই য়ৌখ্রবদি আর সী মনিফৌ - ১২, মঙালফৌ থিদুনা থাবিয়ু, শোয়দনা লোক্কনি। হায়ব্রিদ ফৌদি অথেংবদা অমত্তা থাবিবা য়াদ্রে। পাৎলৌগী ওইনদি ঈনোৎ ফৌ ফংলবদি হৌজিকমক হুঞ্জিনবীবা য়ারে। ককচীংলোমদা থিবিয়ু। হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইনদি থেংমনবা ওইদ্রি হায়না থমজরি।

অসুম্না থেংখ্রবা মতমদা খুদক্তা লৌহোন হুন্দুনা ফৌ লীংনবা মওং অমা থমজগে।

দেপোগ লৌহোন : মওং অসিদি ফৌ লীংগদবা লৌফমদা ঈশিং শোয়দনা চপ চানা লৈরে খঙলবা মতমদা অদুগা খরা থেংখ্রে হায়না খল্লবা মতমদা পায়খৎপীগনি। অসুম্না হুনবা লৌহোন নুমিৎ ১১-১৪নিদা লীংবা য়াগনি।

হুনবগী মওং : শঙম অমগীদমক ফুট ১০ পাকপা, ১০ শাংবা মফম চঙগনি। লৈবাক্কী লৈমায় নৎত্রগা প্লষ্টর তৌবা লৈমায়দা অদুমক য়াই। লৈমায়দুদা প্লাষ্টিক নৎত্রগা লফুগী মরূ লৌথোক্লবা লা থাদুনা শেমগনি। ফুট অহুম মখায় পাকনা পাকনা লৈরঙ তাদুনা ঈশিং লিৎতনবা শেমগনি। নৎত্রগা অপূনবা লৈমায়দুগী ওইনা লৈরং তাদুনা শেল্লবসু য়াই। অসুম্না শেল্লবা মফমদা ফুট অহুম মখায় পাকপা অমসুং শাংবা মফমদা ফৌ মরূ কিলো ২-৩গী চাংদা মতোন শেন্দাং মখয়াৎ শানা থোক্লবা ফৌদিনা হুনবীয়ু। চাং মান্ননা হুল্লবা মতুংদা ঈশিং খিক খিক্তুনা ফৌদিশিং অদু খূৎনা নৎত্রগা উপাকনা নুমিৎ হুমনি মরিনি নমশিনবীগনি। নোংমদা ঈশিং অনীরক্তি চাইবীগনি। মসিনা ঈশিং কংগদবদগী কনগনি। ঈশিং থুমজিনহনবসু য়াদে। নুমিৎ তরুকনিগী মতুংদা ঈশিং তুংননবা চাইবীগনি। নুমিৎ ১১-১৪ ফাওবদা লীংবা লোইনবা হোৎনগনি। লৌহোন ফোইবগী মওংদি মখাদা থারিবা পোৎ অদু থনম্লগা ফক কোনবগুম মরানা মপান থংনা কোনশিল্লগা লোইরে। অসুম্না কোনশিল্লবা লৌহোনশিং অদু মরা শোক্তনবা মওংদা শেৎ শেৎতুনা চুক অমদা পান্বী ৪-৫ থাবা য়ারে। ●



এস আর আই লৌহোন

# য়ূমথোং কয়াদা লৈরিবা অপিকপা পুখ্রিশিংবু ফেমিলি ফার্মিংগী শরুক অমা ওইনা শীজিন্নবা

**ডো: য়ুম্নাম বেদজিৎ**









মশিং থাবা, উহৈ-ৱাহৈ থাবা অমদি শা ঙা য়োকপনচিংবশিং য়াওরি। হায়রিবা থৌওং অসি অহল-লমন্না মখোয়না থেংনরুবদগী খঙলকপা লৌশিং অদু মথং মথং তাক্লমদুনা হৌজিক ইন্টগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টেম হায়না থৌওং অসিগা মান্ননা পাঙথোক্লরিবনি।

ঐখোয়গী য়ূম য়ূমগী লৈনরিবা পুখ্রি মচাশিং অসি চাননবা ঙা পুথোকপদা নত্তনা লৈতেংগী ওইবা ঙা য়োকপা অমদি ঙা মচা পুথোক্লবগীদমক্তা শীজিন্নদুনা শেল তানবা য়াবা অমসু ওইরি অমদি ইমুং অদুগী মচি ওইবা চিঞ্জাকসু ফংহল্লি। অপিকপা পুখ্রিশিং অসি অয়াম্বা মতমদা য়াম্না লুবা ওইগন্দে। মরম অদুনা নুংশিত্তগী শ্বর হোনবা ঙম্বা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙামু, ঙাক্রা, উকাবীগুম্বা ঙাশিং য়োকপদা চান্নগনি। ঐখোয়গী লমদম অসিদা হান্নদগী লৈজরক্লবা তৌইগুম্বসুং মশীং য়াম্না হন্থরবা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙানপ মখল খরা, ফাবৌঙা মখল খরা, ঙাক্রানচিংবা ঙাশিং য়োক্তুনা মাঙখিগদৌরবা ঙাশিংবু কনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমগনি।

মতম খরগী মমাঙদদি য়ূম অমা লৈরবদি ঈশিং-মাইশিং শীজিন্ননবা পুখ্রি অমদি চাননবা মনা-মশিং থানবা ইঙ্খোল মচেৎ অমা শুংশোয় শোয়দনা লৈনরম্মী। পাক চাউনা লৌউ-শিংউবগী থবক পায়খৎপা নৎত্রবসু য়ূম অমদা লৈরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী চান্ন-থক্লবগীদমক্তা য়ূমগী অকোয়বদা লৈরিবা ইঙ্খোল খরা অদুদা মনা-মশিং থাদুনা অমদি শা-ঙানচিংবা য়োক্তুনা পোত্থোক কয়া পুথোকপগী থৌওং অদুবু ফেমিলি ফার্মিং হায়না খঙনৈ। হায়রিবা থৌওং অসিদা ফজনা চৎনরম্মী। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি খরা হন্থরে। অদুবু ঐখোয়গী লমদম অসিগী মফম কয়াদা হৌজিকসু য়ূমথোং কয়াদা চৎনরিবা থৌওং অমনি।

ফেমিলি ফার্মিং হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী মচি ওইবা চিঞ্জাক ফংহন্নবগী পান্দমদা য়াম্না মরু ওইবা থৌওং অমা ওইরক্লি। ফেমিলি ফার্মিংনা মালেমগী ওইনা চান-থক্লবা চিঞ্জাক ৱাৎহন্দবগী পান্দমদা লৌরিবা থৌদাং অদুবু মশক খঙবা ওইনা কুমজা ২০১৪ অসিবু ইন্টরনেসনল য়র ওফ ফেমিলি ফার্মিং হায়না লাউথোকখ্রবনি। হায়রিবা অসিগী মরুওইবা পান্দমদি মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা লৌউ-শিংউ পথাপ, অকোয়বগী ফীভম কায়হন্দবা অমদি খুন্নাইগী ওইবা অফবা থৌওং কয়াবু খোমজিন্দুনা অফবা চাওখৎ থৌরাং কয়া লৌখৎপা য়াহন্নবা হোৎনবনি। পিক্লবসু পিকনা ফেমিলি ফার্মিংনা মালেমগী ওইনা চিঞ্জাক্কী অৱাৎপা লৈহন্দনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মণিপুরদসু থৌওং অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী চৎনহন্দুনা লাক্লবনি।

মণিপুরদা লৈবা মীওই অয়াম্বনা ঙা চাবা অমদি থৌদোক ৱাথোক কয়াদা ঙা চংদবা য়াদবা পোৎচং অমা ওইবা মরম্না ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা হায়বসি তঙাইফদ্রবা অমনি। ঐখোয় পূম্নমক্না ইশা-ইশাগী লৈজরিবা খরা খরা অদুদা শুংশোয় শোয়দনা ফেমিলি ফার্মিংগী লৌউ পথাপ পাঙথোকপীদুনা চাবা-থকপদা ৱাৎতবা লমদম অমা ওইহনবদা শরুক য়ামিন্নরসি। ঐখোয়গী লমদম অসিদা মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা অপিকপা মফমদা হায়বদি য়ূম খুদিংগী পাঙথোক্লরিবা থৌওং অসিদা মনা-

মতম কয়াগী মমাঙদগী চত্থদুনা লাক্লিবা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিংগী থৌওং অসি বৈগ্যানিক ওইবা থৌওংদা চত্থদুনা ইমুং মনুংগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগনি। তৌইগুম্বসুং মফম মতম অমদি মফমদুগী অঙ্গং-অশাগা চানবা থৌওংশিং থিজিন্দুনা পুথোকপগী তঙাইফদবসু লৈরি। মসিদসু নত্তনা ফেমিলি ফার্মিংদা শরুক য়াবিরিবা মীওইশিংবুসু তৌগদৌরিবা থৌওং অদুগী মতাংদা মপূং ফানা খঙহননবা ট্রেনিং অমদি থৌওং কয়াগী মতাংদা তাকপী তম্বীবগী তঙাইফদবসু লৈরি। ●

# ফৌ পান্বীদা হারগী চাং, মওং অমসুং মতম চানা চাইবগী তঙাইফদবা

**ডো. ৱাইখোম জিতেন**

মালেম অসিদা লৈরিবা লেংলি পাল্লিবা জীব খুদিংমক মচিঞ্জাক য়াওদনা হিংবা ঙমদে। পান্বীশিংনা মখোয়গী মচিঞ্জাক অসি লৈবাক লৈহাওদগী লৌই। অসুম্না মখোয়গী মচিঞ্জাক অসি লেপ্তুনা লৌথোক্লগা হাপচিনবীবা য়াওদ্রবদি লোইবা নাইরকই। পান্বীগী অসিগুম্বা মচিঞ্জাকশিং অসি মফম অদুদা লৈরিবা লৈবাক অদু শেল্লক্লিবা মচাক অদুগী মখা য়াম্না পোল্লি। লিশাং শিৎনা লৌউ-শিংউগী শিনফম পায়খৎলকপা অমদি হেন্না চাথোক লৈবা, লৈবাক লৈহাও হেন্না চূপখৎখিবা ঙম্বা পান্বীশিং কুইনা শীজিন্নরকপনা মরম ওইদুনা মহৌশাদগী লৈরকপা পান্বীগী মচিঞ্জাক ওইগদবা লৈহাওগী চাং অসি অসুক্কী মতিক নেমখ্রে অমদি পান্বীনা মথৌ তারিবা চাং অসি পীবীবা নৎত্রবদি পান্বীশিং অসি মপূং মরৈ ফাবা ঙম্লোই অমদি চাথোক হন্থগনি। তোঙান তোঙানবা পান্বীগী মচিঞ্জাকশিংগী মনুংদা মচিঞ্জাক মখল খরদি পান্বীনা চাং য়াম্না চূপখৎপনা মরম ওইদুনা লৈবাক্তা অসিগুম্বা মচিঞ্জাকশিং অসি য়াওবগী চাং মথৌ তাবা চাং অদু য়ৌবা ঙমদে। মরম অসিনা অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসি মায়োক্লবা ঙম্নবগীদমক ষষ্ঠি-ষণয়ুং অমদি খূৎশেমগী হারশিং হাপ্পগী মথৌ তাই। নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাশ হায়রিবা পান্বীগী মচিঞ্জাক মখলশিং অসি অয়াম্বা ফৌ থারিবা লৌফমশিংদা ৱাৎপনা মরম ওইদুনা অমদি ষষ্ঠি-ষণয়ুং, নাপি-শিংবীদগী শেম্বা হারসু মরাং কায়না ফংদবনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না তঙাইফদনা য়ুরিয়া, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট অমদি ম্যুরেট ওফ পোটাশ হায়বা হার অসি শীজিন্নদবা য়াদবা অমা ওইরি। অসিগুম্বা হারশিং অসিনা পান্বীদা পীরিবা কান্নবশিংদি হার কয়া য়াম্না চাইগনি, করম্বা মওং অমসুং মতমদা চাইগদগে হায়বা খঙবা অসিসু তঙাইফদবা অমা ওই। পোৎশক অমগী কান্নবা খঙদনা পোৎশক অদু শীজিন্নবগী অপাম্বা লৈরোই। অমরোমদা অমুক ফনা য়াম্না ফবা পোৎ ওইদুনসু মহাক্কী মথৌ তাবা চাং অদুদগী ৱাৎপা নৎত্রগা হেনবা মতমদা ঐখোয়না পাল্লিবা পান্দম অদু ফংবা ঙমলোই। তোঙান তোঙানবা হারশিং অসিগী তৌবা ঙম্বা অমদি শীজিন্নফম খেন্নবগী মতুং ইন্না হারশিং অসি হাপ্পগী মওং অমদি মতমসু খেন্নগনি।

য়ুরিয়া হায়রিবা হারগী মখল অসি নাইট্রোজেন হায়বা পান্বীগী মচিঞ্জাক্কী মচল অসি য়াওই। নাইট্রোজেননা পান্বীগী মনা/মউ থুনা চাউখৎহল্লি, পান্বীগী মনাগী অশংবা শরুক হেনগৎহন্দুনা নুংশা মঙালগী মতেংনা মচিঞ্জাক শুংবদা মতেং পাংহল্লি। নাইট্রোজেন হাপ্লবা পান্বীনা ফোসফরস, পোটাশ অমদি কেলসিয়ম চিংখৎপদসু মতেং পাংই। পান্বীদা য়াওরিবা প্রোটিন, ভিটামিন্স, এঞ্জাইমস হোর্মোনশিং শেম্বাদসু তঙাইফদনা নাইট্রোজেন অসি চংই।

সিঙ্গল সুপর ফোসফেটতা ফোসফেট, কেলসিয়ম অমসুং সলফরনা মপূং ওইবা পান্বীগী মচিঞ্জাক ওইনা য়াওই। মসিদা ফোসফেট ১৬%, সলফর ৮-১১% অমদি কেলসিয়ম ১৮-২১% য়াওই। ফোসফরসনা পান্বীগী মরূ অমদি মরা ফগৎহন্দুনা পান্বীগী মচিঞ্জাক মখল শুনা অমসুং য়াম্না লৌখৎলি। ফৌ মচা পোকপা অমদি থুনা মপূং মরৈ ফাহল্লি। অমরোমদা সলফর হায়বসি হৌজিক্কী মতমদদি পান্বীগী খ্বাইদগী মরুওইবা মচিঞ্জাকশিংগী মনুংদা মরিশুবনি হায়না য়ানরবা অমনি। সলফর অসি প্রোটিন শেম্নবগীদমক অমদি তোঙান তোঙানবা এমিনো এসিদ এন্দ ফেটি এসিদ শেম্বদা চংই। মসিনা থাও থোকপা পান্বী অমদি হৱাই মখলশিংগী পোত্থোক হেনগৎহনবদা অচৌবা মতেং পাংই। কেলসিয়মনা পান্বীগী সেলগী মপান থংবা কুয়োম শেম্বদা তঙাইফদনা চঙই।

ম্যুরেট ওফ পোটাশতা পোটাসিয়ম অসি পান্বীগী মরুওইবা মচিঞ্জাক অমনি। মসিনা পান্বীবু মশা কনশিলহন্দুনা লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকই অমদি হেন্না মরূ চঙহন্দুনা পোত্থোক হেনগৎহল্লি।

ফৌদা শীজিন্নগদবা হার মখলশিং অসি মখোয়না লৈবাক্তা তুম্বা অমদি মফম অমদগী মফম অমদা চৎপদা চাউনা খেন্নে। য়ুরিয়া হায়বা হার মখল অসি ঈশিংদা থুনা তুম্বা অমদি মফম অমদগী মফম অমদা য়াম্না থুনা চৎপা ঙম্বা হার ওই। মরম অদুনা মসি পান্বীশিংনা শীজিন্নবা ঙমহৌদবা ময়াম অমা অরেম্বদা মাঙহল্লি। মরম অদুনা য়ুরিয়া অসি অমুক্তংদা য়াম্না চাইশিনবীবা য়াদে, মচিৎ মচিৎ ওইনা চাইবীবনা অরেম্বদা মাঙগদবা হারদগী ঙাকথোকপা ঙমই।

সিঙ্গল সুপর ফোসফেটতা য়াওরিবা ফোসফরস অসি লৈবাক্তা মনা লৈখিবা মফম অদুদগী লেংবা ঙমদে। মরম অদুনা মনা লৈরিবা মফম অদুদা পান্বীগী মরানা য়ৌরক্লবা মতমদা পান্বীদা কান্নবা লৌবা ঙমই। মরম অসিনা হার মখল অসিগীদমক্তি পান্বীগী মরূনা লৈগদবা লৈবাক মনুংদা খোইজিনবীবা হায়বসি তঙাইফদবনি। অমরোমদা পান্বী অমগী চাথোক হেন্না ফংনবগীদমক পান্বীনা নৌরিবঁ মতমদা মরূ মরা শেমগৎপা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইবনা পান্বীনা থাদ্রিবঁ মতমদা লৈবাক্তা হাপ্পীবা হায়বসি তঙাইফদবনি।

ম্যুরেট ওফ পোটাশনা পান্বীদা পীরিবা পোটাসিয়ম অসিদি লৈবাক্তা কা হেন্না চৎকনবা অমসু নত্তে অদুগা লৈখিবা মফম অদুদগী লেংদবা অমসু নত্তে। মরম অসিনা শরুক খরনা পান্বী থাদ্রিবঁদা অদুগা শরুক খরনা পান্বীনা থাখ্রবা মতুংদা চাইবীগনি। ফৌ পান্বীদা করম করম্বা হার কয়াম য়াম্না চাইগদগে হায়বসি লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌরবা মতমদতা হায়বা ঙমগনি। অদুবু চাংচৎতা মণিপুরগী ফৌ থানরিবা তম্পাক্কী অয়াম্বা শরুক্তা য়ুরিয়া ৩৫-৪০, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট ৬৫-৭৫ অমদি ম্যুরেটস ওফ পোটাশ ১৩-১৭ কেজি লৌ শঙম খুদিংদা চাইবীবা য়াই হায়না পানরি।

হার চাইবগী মওং, মতম অমদি চাইবীগদবা চাং :- অরিংবা লৌফমগীদমক লৌ লীংনবা অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঁঙৈগী মমাঙদা সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কেজি ৬৫-৭৫, য়ুরিয়া কেজি ১৭.৫-২০ অমদি ম্যুরেট ওফ পোটাশ কেজি ৮-১০ ফাওবা শঙম অমগী লৌফমদা চাইবিরবা মতুংদা লৌ অদু খোইজিনবীগনি অমদি লৌ লীংনবা শেম শাবীগনি।

অনীশুবদা ফৌ লীংখ্রবা মতুং নুমীৎ ২৫-৩০নীশুবা মতম অসি ফৌনা মচা য়াম্না পোকপা মতম ওইবনা নাইট্রোজেন অমদি অতৈ পান্বীগী মচিঞ্জাকশিং চাং য়াম্না ৱাংনা চংই। মরম অসিনা হায়রিবা মতম অসিদা য়ুরিয়া কেজি ৮.৫-১০ গুম্বা লৌ শঙম অমগী লৌফমদা চাইবীগনি।

অহুমশুবদা, ফৌ লীংখ্রবা মতুং নুমিৎ ৫৫-৬০নীশুবা মতমদা ফৌ অয়াম্বা মমি তম্লকপা হায়বদি চরোং শেম্বা হৌরকপা মতমনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা মতম অসিদা য়ুরিয়া কেজি ৮.৫-১০ অমদি ম্যুরেট ওফ পোটাশকী অরেম্বা শরুক কেজি ৫-৭ ফাওবগী চাং অসি লৌ অমগী লৌফমদা চাইবীগনি।

অসুম্না হারগী খল চানা, মতম চানা অমদি মওং চুম্না চাইবসিনা হার চংবগী চাং হন্থহল্লি। ঐখোয়গী অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিনবগী চাং হন্থহল্লি, পান্বীশিং মশা মউ ফনা থম্বা ঙমহল্লি, লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপদা মতেং ওইহল্লি, লৈবাক লৈহাও থুনা মাঙশিল্লকপদগী কনবা ঙম্মী। লৈবাক্তা য়াওবা ওর্গানিক মেট্টরগী চাং হেনগৎহল্লি অমদি চাথোক হেনগৎহল্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।